**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 1-08.2024)**

**বজেট (এল)** ঃ মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা হনজিলহন্নবগী পান্দমদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মীহুৎশিং য়াওবা মীফম অমা সিলচরদা পাঙথোক্লি।

ৱাফম অসি ঙরাং পুথোকখিবা শেনবা চহি ২০২৪-২৫ গী বজেট ইষ্টিমেটকী খন্ন-নৈনবদা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। বজেটকী মতাংদা খন্ন-নৈনবা অদুদা এম.এল.এ. টি.ঐচ. লোকেশ্বর, কে. মেঘাচন্দ্র, সুরজাকুমার ওক্রম অমদি কে. রঞ্জিৎনা বজেট অসিদা অহোবা কয়া লৈরে হায়বা ৱাফম থমদুনা লাঞ্জেন্নরিবশিং মশা মশাগী য়ুমদা হনজিলহন্নবগী থৌরাং য়াওদে হায়বনচিংবা ৱাফম থমখি।

এম.এল.এ. সুরজাকুমারনা বজেট অসি কোপি পেজ বজেটনি, মসিদা লমদম অসিদা শেন্থোক লন্থী হন্থরকপদগী মীয়ামনা থেংনরিবা অৱাবা কয়া থেংনরিবা অসিদা মীৎয়েং থম্বগী ৱাফম য়াওদে হায়নসু ফোংদোকখি।

এম.এল.এশিংনা পুখৎলকখিবা ৱাফম তারবা তুংদা, মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়-এম.এল.এশিং য়াওনা লুচিংবশিংনা পুকিং ফাথনা থবক তৌসি। থোক্লিবা ইরাং অসি কনানসু থোকহন্নিংদে। মহাকা হায়-সরকার অসিনা তংদু লৈতাবা হনজিন্নবা হোৎনবা য়াবা হোৎনরি। লাঞ্জেন্নরিবশিংসু মশা মশাগী ময়ুমদা হনজিন্নবা হৌরে। চুরাচান্দপুরগী ওইনা খুদোংচাদবা লৈবনা হৌজিমক্কী ওইনা হনজিনদুনা লৈবা য়াদবনি। অদুবু, মোরেগী ওইনা লাঞ্জেন্নরক্লবশিং মশাগী ময়ুমদা হনজিনদুনা লৈবা য়ানবা সরকারনা হোৎনরি।

বজেটকী মখাদা পল্লদুনা শ্রী বিরেননা হায়-বজেট অসিগী অয়াম্বা শেনফম কর্ম্মচারিশিংগী থাগা তলব পীবা অমদি কেন্দ্রগী লোলগী শেনফমদা চৎলবসু

চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংগী শেনফম হন্থবা লৈতে।

ঙসি চথখিবা মীফম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা তোঙান তোঙানবা দিমান্দ অমদি বিল পুথোকখিবগা লোয়ননা হাউসনা পাস তৌখি। বিলশিং অদুদি, দিমান্দ ফোর এক্সেস গ্রান্ট ২০১৮-১৯, দিমান্দ ফোর ভোট ওফ একাউন্ট ২০২৪, মনিপুর এপ্রোপিয়েসন নম্বর থ্রি বিল ২০২৪ অমসুং মনিপুর এপ্রোপিয়েসন নম্বর ফোর বিল ২০২৪ নি।

**এসেমব্লি (এল)** ঃ চান্দেল অমদি ককচিংগী লোন্নবদা লৈবা কে. মোলনোম খুলদা শারিবা আর.সি.সি. থোং সরকারনা থুগায়রগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি মনিপুর বিধান সভাদা ফোংদোকখ্রে।

হৌজিক চথরিবা মনিপুর বিধান সভা মীফমগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা বিরোধি এম.এল.এ. কে. রঞ্জিৎনা হংল্লকপা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-সরকারগী অয়াবা য়াওদনা শারিবা আর.সি.সি. থোং অদু শাবদা চেন্নবশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎনবা হোৎনরি।

অমরোমদা, রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীয়ামদা নোংমদা পীরিবা শেনফম অমদি মহৈরোইশিংগী মহৈ-মশিং তমহন্নবা পীরিবা শেনফমশিং হন্থনা পীবগী ৱাফম লৈতে হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা সভাদা থমখি।

কংগ্রেসকী ওক্রম সুরজাকুমার-এম.এল.এনা পুখৎলকপা ৱাহংগী পাউখুমদা শ্রী বিরেননা হায়-মমাং চহিগী মে অহুমদগী থোরকখিবা ইরাং অসিদা মীওই ২২৬ লৈখিদবগী মনুংদা ১৪৬ কী ইমুং মনুংদা শেলগী তেংবাং ওইনা লুপা লাখ তরা-তরা পীখ্রে। লেমহৌরিবা অতৈগীনা ইমুং মনুংনা ৱাকৎলক্তবা অমদি মশক খঙদোকপা ঙমদবদগী পীদনা লৈবনি।

এম.এল.এ. কে. মেঘাচন্দ্রনা হংবা ৱাহং অমদা ত্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিলস বিভাগনা লুপা কোতি লিশিং অনি হেনবগী য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট থাবা ঙমদ্রে। বিভাগ অসি হিংলিবরা হায়না হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা শ্রী বিরেননা

হায়-হীরম অসিগী মতাংদা থিজিন্নবা এস.আই.টি. শেম্লগনি।

**এসেমব্লি-২ (এল)** ঃ লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীয়ামনা রেল্লি চৎপদা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস সেল অমদি নোংমৈ কাপ্পুনা অহেনবা থৌওং চথখি হায়না এম.এল.এ. কে. রঞ্জিৎনা ঙসি মনিপুর বিধান সভাদা পুখৎখ্রে।

ঙসি ফমখিবা মীফমগী জিরো অৱারগী মতমদা ৱাফম অসি পুখৎলদুনা এম.এল.এ. রঞ্জিৎনা হায়-ঙরাং সভাদা চথখিবা ৱাহং পাউহংগী মতমদা য়ুনিয়ন টেরিটোরি দিমান্দ তৌদুনা রেল্লি চৎপশিংবুদি কনাসু নত্তে, ঐখোয় মশেলনি হায়বা ৱাহৈ শিজিন্নদুনা পুলিস অহেনবা থবক লৌখৎখিদে হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা লৈখ্রে।

জিরো অৱারগী মতমদা পুখৎলকপা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়-অৱাৎ অপা লৈবগী দাবী তৌবা ওইনা চংশিনখিবা খোঙজং নত্তে। এম.এল.এশিংগী য়ুমদা মখোয় লৈগে, এম.এল.এশিংনা রিলিফ কেম্পতা লৈয়ু হায়বা ৱাফম অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা চৎপা খোঙচৎ অমা ওইরম্লে। মহাকা হায়-অসিগুম্বা ওইথোকপা য়ারোইদবা ৱাফম থমদুনা রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবগী মমি তারকপা অসি নুংঙাইতবা ফাওই।

**বসন্তা(এল)** ঃ শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমারনা হায়রি-ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী ফিজিক্স অমসুং বোটনি সবজেক্টকী ওজা লৌবগী ইন্টরভিয়ু লোইখ্রবা কেন্দিদেটশিংগী মার্ক মাঙখিবা ৱাথোক থিজিন্নবা কমিতি শেমলে।

ৱাফম অসি ঙসি মনিপুর বিধান সভাদা কংগ্রেসকী সুরজাকুমার ওক্রমনা পুখৎলকপা কোল্লিং এটেন্সন মোসন অমগী পাউখুমদা মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। এম.এল.এ. সুরজাকুমারনা দি.এম. য়ুনিভরসিতি অমসুং মনিপুর টেকিকেল

য়ুনিভরসিতি অনিগী রিগুলর ভাইস চাঞ্চেল্লর লৈতবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিং পুখৎতুনা সভাগী পুকিং চিংশিনখি।

এম.এল.এনা পুখৎলকখিবা ৱাফম তারবা তুংদা শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমারনা হায়-য়ুনিভরসিতি অনি অসিগী রিগুলর ভাইস চাঞ্চেল্লর হাপবা থৌরাং তৌরি। ওজা য়াওনা অতৈ অৱাৎপা ষ্টাফশিং লৌবগী ফল লাউথোকখ্রে।

**রেল্লি(এল) ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী অকাম্পাৎতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মীয়াম মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিন্দুনা লৈবা য়াহল্লু হায়বা দাবী তৌদুনা ঙসি রেল্লি চৎখ্রে।

রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীয়ামনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মুখ্য মন্ত্রিগী বঙ্গলো তমা থোমজিল্লকখি। মীয়ামা ইম্ফালগী মোইরাংখোম য়ৌরকপা মতমদা মনিপুর পুলিসনা অথিংবা পীখি। খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মখোয় মশাগী য়ুমদা হনজিনদুনা লৈবা য়াহল্লু। ঐখোয় রিলিফ কেম্পতা লৈনিংদে হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি। ইরাং অদু কনশিল্লকপদগী মদুবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা টিয়ার গ্যাস সেল কাপ্পদা মীওই অহুম শোক্তুনা হোস্পিতালদা লায়কন্নখি।

রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীয়ামগী খোঙজং অদুগী পাউ লৌবা পাউমী অমা মনিপুর পুলিসনা ফুরকপগী থৌওংবু সি.পি.আই. মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

অমরোমদা, খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা সেক্যুরিতিনা টিয়ার গ্যাস, মোগ বোমনচিংবা কাপ্তুনা মীয়াম তানখায়নবা হোৎনবদা মফম অদুদা লৈবা ইষ্টর্ন আইদেল স্কুলগী পীক্লিবা মহৈরোইশিংদা অকি-অখঙ থোকহনখিবা থৌওং অদুবু মহৈরোই লুপ তরুকনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোকখি।

**পাউমী(এল) ঃ** পাউমীদা খুৎ থাখিবা মনিপুর পুলিস অদুগী মথক্তা তোঙান

তোঙানবা থবক লৌখৎলগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা থাজবা পীখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ওল মনিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ) অমদি এদিটরস গীল্ড মনিপুর (ই.জি.এ) অনিগী অপুনবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম মনিপুর প্রেস ক্লবতগী মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেটরিয়েট তমা শান্তিগী খোঙচৎ অমা চৎখি। তুংদা, মীহুৎ কাংবু অদুনা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগা উন্নদুনা তোঙান তোঙানবা দাবীশিং য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি। হায়রিবা দাবীশিং অদুদি-পাউমীদা খুৎ থারকখিবা অদুগী মতাংদা খুদক্তা থিজিনগদবনি। পাউমীশিংগী ওইবা মশা কঞ্জনবা থৌরাং পায়খৎপা অমদি পুং ৪৮ গী মনুংদা পাউমীদা খুৎ থারকখিবা অদুগী মতাংদা মতিক চাবা থবক লৌখৎপা হায়বসু য়াওরি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হয়েং ফাওবগী মনুংদা হায়রিবা ৱাফমশিং অসি থবক ওইনা ওন্থোকবা থাজবা পীরকখি।

**জিরিবাম(এল)** ঃ জিরিবামদা পনদুনা লৈরম্বা এফ.সি.আইগী চেং পুবা রেলগাড়ি ঙসি নুমিদাংৱাইরম খোংশাং য়ৌরকখ্রে।

হান্না জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা পনদুনা লৈরম্বা দবা ২১ গা লোয়ননা ঙসি চংল্লকপা দাবা ৪২ দা চেং বেগ লিশিং ৫০, ৪০০ পদুনা খোংশাং রেলৱে ষ্টেসন তমা লাকপনি।

পনবা য়াই, জলাই ৩০ গী অঙনবা অয়ুক্তা রেল লম্বী অসি য়াদবনা নোর্থ ইষ্ট ফ্রান্টিয়ার রেলৱেগী থৌমীশিংনা অকনবা মওংদা শেমজিন শাজিনবদগী ঙসিদগী পোৎ চৈ পুবা রেলগাড়িশিং চৎপা হৌখিবনি।

**প্রোটেষ্ট(এল)** ঃ মহৈ মশিং তম্বদা অয়েৎপ অপন পীবিগনু, ওজাশিং অমদি ষ্টাফশিংদা পুবা থাংবা ঙমলোইদবা শেলগী দিমান্দ তৌবিগনু অমদি মহৈরোইশিং

নীংথিনা লাইরিক তম্বা ফংহনবীয়ু হায়দুনা খা-মনিপুর কলেজ ককচিংগী টিচিং অমদি নোন-টিচিং ষ্টাফশিংনা ৱাকৎ মীফম অমা ফমখ্রে।

মহৈ লোইশঙশিংদা পুবা থাংবা ঙমলোইদবা শেলগী দাবী তৌরকপগী মায়োক্তা ইম্ফাল ইষ্টকী পৌরাবীদা লৈবা জেম পব্লিক স্কুলগী মহৈরোই অমদি ষ্টাফশিংনা খোঙজং চংশিনখ্রে।

খোঙজং অদুদা পুবা থাংবা ঙমলোইদবা শেনখায় তৌবিগনু। মহৈ লোইশঙদা অয়েৎপ অপন পীবিগনু অমদি ওজা অমসুং মহৈরোহশিংদা অকি-অখঙ পীবিগনু হায়বা খোল্লাউশিং লাউখি।

**এময়ু(এল)** ঃ মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী টিচর এদুকেসন দিপার্টমেন্টনা নুমিৎ মরিনি চঙ্খগদবা ৮ লকশুবা লেটরেরি, কলচরেল অমদি স্পোর্টস ৱিক ঙসি হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-এন. লোকেন্দ্রনা হায়-অনৌবা এদুকেসন পোলিসিগী ফোর ইয়ার ইন্টিগ্রেটেদ কোর্স মথং চহিদগী চৎনরগনি। মালেমগী মকোক থোংবা য়ুনিভরসিতিশিংগা চাংদমবদা য়ুনিভরসিতি অসি থোইদোকা নোপত্রে হায়না মহাকা মখা তাখি।

**উখ্রুল(এল)** ঃ স্কিল দিবলপমেন্টকী স্কিল এক্যুজিসন এন্দ নোলেজ এৱারনেস লাইফলিহুদ প্রোগ্রাম-সংকল্পকী মখাদা মীয়াম পুন্না শরুক য়ামীন্নবগা মরী লৈননা নুমিৎ ১০০ নিগী ওইবা অখন্নবা থৌরম অমা ঙসি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার-কেংঙু জরিংলা য়াওনা সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা লুচিংদুনা জিলা অদুদা লৈরিবা ৱান স্তোপ সেন্টরগী ফিভমসু য়েংশিনখি।

**নিট (এল)ঃ** নিট-পি.জি ২০২৪ গী একজাম সেন্তর ইন্ফালদা পীরকপগীদমক মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি নদ্দাবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-খোঙথাং অসিনা রাজ্য অসিগী মহৈরোইশিংনা মশাগী মরমদা পরিক্ষা থাবা ফংহনবতা নত্তনা মখোয়গী একাদমিক অমদি প্রোফেসনেলগী মায় পাকপগী লম্বীদা লাইনা অমদি অৱাবা ৱাখল য়াওদনা পরিক্ষা থাবা ফংহল্লগনি।

পনবা য়াবদি, নেসনেল বোর্দ ওফ একজামিনেসন্স ইন মেদিকেল সাইন্সেস (এন.বি.ই.এম.এস)না হন্দক্তা লাউথোকখিবা থা অসিগী ১১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা নিট পরিক্ষা অসিগী সেন্তরশিং পীবদা ইন্ফাল য়াওরমদবনি। মসিনা মণিপুরগী মহৈরোইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকহল্লে। তুংদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দাদা পরিক্ষা অসিগী সেন্তর ইন্ফালদা অমুক হন্না পীবীনবা হায়জবদগী ফিরেপ অসি লৌরকপনি।

**এআর(এল) ঃ** হেদক্বাটর আই.জি.এ.আর (সাউথ) কী মখাদা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা লৈখিদ্রবা অসাম রাইফলগী রাইফলমেন-মানবির থাপ্পাগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ইং ১৯৬৬ কী জ্লাই ২৯ দা মিজোরামদা অহানবা লুসাই হিলস বটালিয়নগী অহুমশুবা প্লাটুনগী অলফা কম্পানিদা মিজো নেসনেল ফ্রন্টকী লালহৌবশিংনা নোংমৈ কাশিল্লকখি। মদুদা, রাইফলমেন মানবির থাপ্পা শোকপদগী লক্ষনৌদা লৈবা কম্মান্দ হোস্পিতালদা লায়কন্নবা ঙমদনা চহিদুগী আগষ্ট অমদা লৈখিদবনি।

**সংসদ (এল) ঃ** হৌখিবা চহি অহুমদা অৱাং নোংপোক ভারতকা ওইনা চাউখৎ

থৌরাং নৎত্রগা প্রোজেক্ট কয়ামুক পায়খৎপা লৈখ্রবগে অমদি লমদম অসিদা পায়খৎপা চাউখৎ থৌরাংশিংগীদমক কায়থোকপা শেনফমগী মতাংদা মরিক চুন্বা ৱাফম থন্বীনবা রাজ্য সভা এম.পি. লৈশেন্বা সনাজাউবনা ঙসি রাজ্য সভাদা পুখৎখ্রে।

এম.পি. সনাজাউবনা সপ্লিমেন্টরি ক্বেইসন ওইনা হৌখিবা চহি অহুম অসিদা দিবলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন (দোন্নর) মন্ত্রালয়গী মায়কৈদগী অৱাং নোংপোক লমদমদা পায়খৎখিবা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা অকুপ্পা ৱাফম থন্বীনবা হাউসকী পুকিং চিংশিনখি।

অমরোমদা, এম.পি. সনাজাউবনা রাজ্য সভাদা পুখৎলকখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা দোন্নর মন্ত্রি-জ্যোতির অদিত্যা সিন্ধিয়ানা হায়-অরুনাচল প্রদেস য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী লমদমশিং লৈবাক অসিগী হিষ্টোরিকেল, কলচরেল অমদি ইকোনোমি এজেনন্দাদা মরুওইনা পল্লি। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা অৱাং নোংপোক লমদমশিং অসিদা অহেনবা মীৎয়েং থন্বগা লোয়ননা লমদমশিং অসিদা পুরক্লিবা অহোংবশিং অমদি পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংশিংগীদমক কায়থোক্লিবা শেনফমশিংগী মতাংদা মরিক চুন্বা ৱাফম থমখি।

মন্ত্রিনা মখা তারদুনা হায়. চহী ১০ রোম অসিদা অৱাংনোংপোক লমদমগী চাওখৎ থৌরাংশিংগীদমক লুপা কোতি লাক্ষ ৫.২২ কায়থোকখ্রে। লমদমশিং অসিগীদমক কায়থোক্লিবা শেনফম অসি লৈবাক অসিনা নিংতম্বা ফংলবা মতুং চহী ৭৫ অসিদা অমুক্তা থোকখিদ্রি।

দোন্নর মন্ত্রিনা হায়-হৌখিবা ইং ২০১৪-১৫ দদি লুপা কোতি লিশিং ২৭, ৫০০ ওইরম্বনি অদুবু হৌখিবা চহীদদি লুপা কোতি লিশিং ৯১, ৮০২ দা হেনগৎখি। মসি হান্না চাওখৎ থৌরাংগীদমক থাদরম্বা শেনফম অঅদুদগী শরুক অহুম হেনগৎলে।

**কেরলা ঃ** কেরলাগী ৱায়ানদদা চীং নিংখায়বদা শিখিবা মী মশিং ২৬০ হেনখ্রে।

মীওই কয়ামরুম হৌজিকসু থিবা খঙদনা লৈরি। মী কনবগী থবক তৌরিবশিংনা ঙরাং মুন্দাকাইদগী হকচাং কয়ামরুম ফংখি। মালাপুরম জিলাগী চালিয়র তুরেলদগীসু হকচাংশিং লৌখৎনবা হোৎনরি। হৌজিকসু হকচাং কয়া ফুমজিনদুনা লৈরমগনি হায়না পানরি।

লান্মীনা চালিয়া তুরেলগী চুরলমালা মপাদা বেল্লি ব্রিজ অমা শাননবা হোৎনরি। অদুমওইনমক, নোং কন্না চুবনা খুমাং চাওশিন্না থবক শুবা ঙমদ্রি। থোং অসি শাবা লোইরবদি মুন্দাকাই তান্না অচৌবা মেছিনশিং পুশিনদুনা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক্তা চাউনা মতেং ওইগনি। মফম অদুদা হান্না লৈরম্বা থোং অদু ঙরাং তেকখিবনি। হৌজিকসু মফম অদুদা মখা তানা নোং কন্না চুখিগনি হায়না মেট দিপার্টমেন্টনা ফোংদোকখ্রে।

কংগ্রেস এম.পি. সসি থারুরনা কেরলাগী ৱায়ানাদতা থোক্লিবা চীং নীংখায়বগী থৌদোক অদুবু মহৌশানা থোকহনবা শাথিবা অমাং অতা অমনি হায়না মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট স্কিম গাইদ লাইনগী মখাদা লাউথোকপীয়ু হায়না কেন্দ্রগী মন্ত্রি অমিত সাহদা তকশিনখ্রে।

**ওলিম্পিক্স**ঃ পেরিস ওলিম্পিক্সকী ঙসি তরুকনি চনবা নুমিৎতা ভারতকী সুট্টর-শ্বাপমিল উসালনা নুপাগী মিটর ৫০ গী রাইফলদা শেঞ্চেংগী তকমান লৌরে। মহাকা মিটর ৫০ গী রাইফলগী থ্রি পোজিসন ইভেন্টতা ওলিম্পিক মেদল লৌবা ভারতকী অহানবা সুট্টর ওইরে।

অদুমওইনমক, নুপীগী মিটর ৫০ গী রাইফলদা ভারতকী অনজুম মোরগীল অমদি চীফ কোর ক্বালিফাইয়িং রাউন্দ চংবা ঙমখিদ্রে। বোক্সিং মশান্নদা নিখত জরিন চাইনাগী ৱু-য়ুগী মখুৎতা রাউন্দ ওফ সিক্সতিনগী কিলোগ্রাম ৫০ গী ইভেন্টতা মায়থিহৌরে। হোকি মশান্নদসু গ্রুপ (বি) গী ক্বালিফাইয়রদা ভারত লৈহৌরে।

মেদল টেল্লিদা চাইনানা হৌজিক ফাওবদা সনাগী তকমান ১১, লুপাগী ৭

অমসুং শেঞ্জেংগী ৩ পুন্না তকমান ২১ ফংদুনা অহানবা মফমদা লৈরি। ফ্রান্সনা সনাগী ৮, লুপাগী ১০ অমসুং শেঞ্জেংগী ৮ পুন্না তকমান ২৬ ফংদুনা অনিশুবা মফমদা লৈরি।

জপাননা সনাগী ৮, লুপাগী ৩ অমসুং শেঞ্জেংগী মরি পুন্না তকমান ১৫ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি। ভারতনা লুপাগী তকমান ৩, শেঞ্জেংগী তকমান ৩ ফংদুনা ৪২ শুবা লৈরি।